# মতম অমদা চৎনরম্বা ঙসিদি উবা ফংদ্রবা লুহোংবগী মচৎ-মওং খরা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*নপাম লমদম থাদোক্তুনা/নতারোয় ময়াম কায়নদুনা/চৎলবোই খোয়নৌ নশাবী নাক্তা/দোলাইথক্তা চৎলিবী-ও/শাইনোম্না নোম নোম হাইরিবী-ও*

নুংশিবনি মতমদো, ঐখোয়দি অঙাং ওইরি। কবোক চানীংবগা, ফীজেৎ লৈতেংলবী কন্যা য়েংনীংবগা অনীদুগী অপান্বনা লীচিং ওইদুনা লুহোংবা খুদিং চিংখিদে হায়বা য়াই। ইমুং-মনুং লৈকায় ওইবা/ওইদবা থিদে, ঐখোয় অহুম-মরি হৌনরগা পঙচত্তা চৎপীনি। হৌজিক্কী মতমদৌনা লুহোংবগী মান্দবতা শেলনা কাংগী হৈ চাইবগুম চাইবগী মীৎ-না ইথক-থক্কৎপা মতৌসু লৈরমদে। লুহোংবগী থৌরমসু ঙন্তানা অদুম্মক লোইশিন্নরম্মী। নুপী থিনবা মতমদা কন্যা তোংলিবা দোলাইদু কৈরোয়-লৈকায়, য়ূম্লোন কৈরোন্নবগী য়াওনা মবুং-মৌপ্পাশিংনা মরেংবান্দা হাপকত্তুনা হেক থাঙ্গৎপগা বেন্দ পার্টিনা নুংশিরবা সুরদা পঞ্জিখ্রিবা ঈশৈসি নুংশিরবা শুরদা খোংলকপদা নহা-অহল, লৈশাবী পূম্নমক ও খোংনা কপ্পখিবনি। মদুনসু লোইদে, নিঙোল মানা কোন্থোং ৱাংমা লানখিবগা লুহোংগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ নুংথিল পোবোপ্তুগী ৱাশাং অমদা পানখৎখ্রবা মাইক অদুদসু ঈশৈ অসি থারকপা হায়বসি মহৌশানি।

হৌজিক্তি নুপা ময়ূমগী য়ূম্লে-কৈরৈ মওং তাবা-তাদবা, নুপী থিল্লকপা ময়ামগী শীল্লম লাংলল্লিবা অচা-অথক্কী মরমদা অহাউ-হাউত নৈনবরোমদা চৎপগুম তৌরক্লে। মসিদসু নত্তে, নুপী থিল্লক্লমদাই মতম য়ৌরকপদা ওজা হামোম নবগী - ***য়ূমগী মৌ য়ূমগী মৌদি/লাক্লনি লাক্লনিনে ঙসিদি/লাক্লনি লৈকায়গী লমহেনবা অঙাংশিং/মখোয় মশেল খৎনরনি কবোকপু থুংঙি থুংদে/লাক্কনি লৈকায়গী মীৱা ঙাওনবী লৈশাবী/মখোয় মশেল ঙাঙনরনি ফজেগা ফজদেগা।***

অঙাং ওইরিঙৈদগী লৈশাবী ফারকপা মতাং য়ৌরকপা ফাওবদা উজহৌবা, থেংনজ হৌবা য়ং-য়ং লাউনা চৎনরম্বা লুহোংবগী মচৎ-মওং কয়াগী মনুং চনবনি। লুহোংবা অমত্তং লৈবদা হরাউনবসিদি, মথুম-মরাং হৌবীনি। মাইক্তা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ অমদি মণিপুরী ঈশৈ থারকপদু অদুক্কী মতিক নুংওনবজাৎনি। মতমগী মণিপুর, লমজা পরসুরাম্ন চিংবা ফিল্মগী ঈশৈশিংদু থারকপদা ঙাওরগা চেন্দেদা খাকপনি। অসুম্না লুহোংবা থৌরম লৈবা মফমদা লুহোংগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা নুপী ময়ূমদা নুপা ময়ূমগী মীনা পুরকপা মাইক্তা ফজ-ফজবা নুংশিবা ঈশৈ মথং-মথং খোংগৎলকই। ফাইরেন লমতাগী নুংশিৎনা হুমদুনা পুরকপা ***ঙাওরেহে ঐদি শুক্কৎলে নঙনা*** হায়বা ঈশৈদা শাবী-শানৌশিংনা ঙাওজবদুদি করিবু হায়রুনি। অহল ওইবশিং অমদি অঙাং ঐখোয়না ***লমজা লমজা! লমজা কৌগেনে নহাকপু*** হায়বদুদা পূক্লিং নুংশিবা অমদি পিনৌবী খরনা মীৎলু ঈরা চেনবা, মখল মথেলনি মতমদুগী থৌদৌশিংদো। নুমিৎ খজিক্তং লৈথখিবদা মাইক পুরক্ত্রে হায়দুনা ঙ্রুং-ঙ্রুং নীনবজাৎনি। নুপা ময়ূমগী ওইনদি লুহোংবা নুমিৎকী অয়ূক্তগী মাইক খোংবা হৌই। ঙসিদি ইন্টরনেটনা পানবা মতম্নি। ঐনা তানীংবা ঈশৈ অদু খুদক্তা মোবাইল ফোন্না তাহনবীরে। অদুবু মতমদুগী মাইক্লা পীখিবা মহাউদুদি য়ৌবা শুংঙম ঙমদ্রে হায়বা য়াই।

নুপী চেনবদা নুপা ময়ূম্না পাউ হনবদু চেনবা নুমিৎকী নুমিদাংদুমক্তদা হল্লক্লে। মীয়াই চল্লবা নুপা অহুম লালটেন থাওমৈ অমগা লোয়ননা পাউ হনবা চৎনৈ। মদুগী মতুংদা নুপী অদুগী ইমুং মনুংগী মীওই অনী অহুম চৎলগা নুপী অদু তশেংনা মশানা য়ারগা চেনবরা নৎত্রগা ফাবা পূনবা তৌবরা হায়বদু খঙদোক্লবা মচীন হংবা চৎনৈ। নম্ফু-হাফু নত্তে, মশানা য়ানা চেনবনি হায়বা মচীনমক্তগী পাউখুম তারবা মতুংদা নোং ঙান্দ্রিঙৈদা য়ূমদা থিল্লক্লবা হায়রল্লগা মচিন হংবা লাকপা অহলশিংদু হনখি। মহাক্লো চেল্লকপদা শেৎলক-ইল্লকপশিংদু অতোপ্পা ফিজোল শিন্দোকহল্লি। হৌজিক মতমগী মমল য়াম্না চঙনা হোৎনবা সনা, লীক-কোন ফিজোলগুম্বা নত্তে। নুপা ইমুংদুগী মচন-মচেশিংনা শেৎনরম্বা ওইগেরা, উপু মনুংদগী চিংথোরকপা ওইগেরা অমা হেক্তমক ইয়া য়াই। নুপীদুনা শেৎলক চারকপশিংদু পুহনখিদে, নুপা ময়ূমদা অদুম্মক থমহৌই। নুপীদুগী অহল-লমন্না পীনি-পীরোই হায়না ফাদোকখিদনবা ৱাখল্লোন্নি। ইশম হেক শম্না মখোয় অনী থুংননবনি। অসুম্না নুপা ময়ূমগী নুপী মৌ, লৈশাবী ময়াম্না নুপীদু অহিংদুদা ময়ূমদা থিল্লি। কনাগুম্বী খরদি ময়ূমগী থোঙজিন হেক কানশিনবগা নুপীদুগী মমা য়াওনা মনে-মন্দোনশিংনা ফূবা চৈবা তৌই। থাঙ্গৈশেংনা হায়রবদা চেনবা-চোংবগী থবকসি পূক্লিং থৌগৎনরমদে। কনাগুম্বা মচিং শাথীবা খরদি চেল্লুরবদি লুহোংদে, মশা শোকপা হায়বদি লৌখৎপীরগা তোকই। মতাংদুদদি থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবগী মথৌ তাদ্রে।

লুহোংগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিদাংদা কন্যা মমান্নবীশিংবু চাক পীজবগী থৌরম পাঙথোকই। করি হায়রিনো খঙদে, মতমদুদা ***জাগোন*** হায়রগা খঙনৈ। য়াচংলকপা মতমদা লৈশাবী ময়ামদু মকে শেল্লগা য়ূম অমা অনীদা তিল্লি। হাপলেম্পনা পুমঙান ঙানবনে লৈশাবী ময়াম্না ঙ্রুং-ঙ্রুং নিনবনে, পাখং ময়াম অমসু ঈরাং চাবা লাক্তুনা লমজাও-সড়ক কোন্থোংশিং পাখংগী পাখং ঙাক্তা, জাগোন নুমিত্তু অচৌবা কুম্মৈ অমনি। নুমিৎতুগী ওইনদি লুহোংগদবা নুপা অমদি মাগা লাকমিন্নবা মমান্নবা মঙা-তরুক অদু ভি আই পিনি। অতোপ্পা পাখংশিংদি লৈশাবী লৈফমদা চঙবা য়াদে, চঙলুরবদি লমহেন-তুহেনবনি হায়দুনা লাঞ্জাও থোক্কে তৌই, থোকপসু য়াওই। ভি আই পিগী শক্তম লাংলিবা মখোয় মঙা তরুক অদুদি লুহোংগদৌরিবা নুপী অমদি নকশিন্না লুনা তিন্নবী মমান্নবী মঙা-তরুক্কা তোঙান্না য়ূম অমদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানৈ। লৈশাবী ময়াম চাক চাবদসু মখোয় য়াওই। জাগোন য়াওখিবা লৈশাবীশিংদো লুহোংবা য়াওদ্রবদি ইকায়নৈ। নুমিৎতুগী অহিংদুদি মাগা লুনা চান্না তিন্নবী মমান্নবী খরগা লৈমায়দা ফমুং পাক্লা থারগা তূমিন্নৈ। নোং ঙান্দ্রিঙৈদা মাইক খোংগৎলকপা মতমদা ঈশৈদু তারগা মখোয় কপমিন্নৈ।

নুপী থিনবা মতমদা অউনপোৎ ওইনা ফি-রোলনচিংবা ময়োমশিং, কোল-লিক, ফিশা-পোৎলোইশিং হায়বদি তরেং, য়োংখম, তমং, মশা, উপু কাংথোন্নচিংবা পরেং শানা পুরগা চৎলি। থিনবা চৎপদা বর-কন্যাগী কাদুদা নে-না তানা ফম্বা ঙমদে, কাংথোল থাংজিল্লকপগা উপু থাংজিল্লকপগা চরাং খোইরাংনবজাৎনি। করিগীনো খঙদে, নুপাদুগী মোনখুম অমদি হুরান্দবা য়াদে। মদু হেক হুরান্নবা হোৎনবদা লৈশাবীশিংদো হুমাং কাংবজাৎনি। মদুসু মথেল অমনি। মথং অয়ূক্কী ছো হাংবা লাকপদা য়াওরকপা মামশিং অমনা মাগী উপুদু ছো হাংদোকপগী চৎনবী লৈরম্মী। মঙানি চাক্কৌগদবা (মপাম চাক্কৌবা) নোংমা ৱাৎলিঙৈদা নুপী অদুগা নুপা ময়ূমগী মচলশিং খরগা মপামদা লাকই। মপামলোমগী মমান্নবী য়াওনা মচিল-মনাও খরগা খুল্লং কোয়বা চৎলি। লুহোংবা য়াওখিবা মমান্নবীশিং অদু মঙানি চাক্কৌবা য়াওবীয়ু হায়বা চৎপনি। অসিগুম্লবা শক্তম খরসি চহী কুন্থ্রামুক হায়রক্লে উখিদবা। ●

# লাইনা তম্বা ফৌথোক

- নবকুমার ওইনা -

লৌ উগদৌরিবসি চাবা কোন্নগদৌরিব্রা? কদাইদগী, লৌবুকসু ইরৈ লৈরক্ত্রববু। লৌবুক্তা লৌ উনরগা অতোংবদা লৈগদবসু হৈনগেদি নহান্না হৈনবা য়ারবনি। লৌ য়োন্থোকপা, লৌবুক্তা য়ূম শাজিনবা, চেক্কোন ওইশিনবা, নূঙ তকশিনবা, স্কুল শাজিনবা, ৱার্কশোপ শাজিনবা, দুকান শাজিনবা, ঙা য়োকশিনবা, য়েন য়োকশিনবা, শান্নবুং শেমজিল্লিবা ময়ামসিনা তাক্লিবসি লাইগী মচা-মশুনিনা চাক চাদ্রবসু মনমদা হিংবা, মীনা কৎলকপা খরা চাবা ফংলবদি হিংলগনি হায়রিব্রা। লাইগী ৱাখল হায়বদুনি, মীগী ওইরগনা মীরোল থুংদবা ওইগদৌরিবনি।

হান্নদি টেবলদা লৌ উবা হায়নরম্মী, হৌজিক্লা টিভিদা লৌ উবা হায়নরে। এম এল এ ফাওবা হাবেংবা য়াওরবনি, তুরেল তেংবা, খোংবান তৌবা, ঈশিং চাইবা ফাওবা য়াওরবসি ফাওবদা চাবা কোন্নদ্রিবা করিগীনো? লৌ লিংবা য়াওরম্বী ইমা-ইবেন, ইচে-ইচল ময়ামসু নোংমৈ পায়বা খরা শঙ, মৈরা শঙদা খরা লেক, নোং ঙানবগা ঙাইহাক তূমদ্রবদি ৱারবনি। ওজা ওইবী, ওফিস কাবী, শেন্দোয় খোম্বী, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, নর্স, পুলিস ওইরিবীশিং লৌ কুম্বা য়াওরম্বদি য়াই, টিভিদদি উদ্রি। খরা লৈরগদি মন্ত্রি ওইবী, এম এল এ ওইরবী ইমা-ইবেন ফাওবা লৌবুক্তা ভিদিও কাপ্পা উরকখিনি। লাইরিক তম্বী হায়গদ্রা, এগ্রো তল্লিবী খরনা রিছর্স তৌরগা ফৌ মখল অনৌবা পুথোকপা য়াওরে। লৌবুক্তা কুমগৌদবদি মান্দে। অঙাং খুদিং টাই পুল্লগা স্কুল চৎপদু তম্বীরগবু কনানা লৌবুক্তা লৈখোম তৈবা, কুম্বা পামগদৌরি। এগ্রি তম্বা হায়দুনা তম্নরিবসি লৌ উরগে হায়বগী তম্বসু নত্তনা, তোলোপ চাবা থবক তৌগে হায়বগী তম্বনি। থবক্তু ফংদ্রিঙৈ ফাওবদা নোংমতা লৌবুক্তা চৎপা নত্তে। তোলোপ চাবা হায়রিসিসু শেল চাবা তমগদৌরিবনি। ময়ামসি পল্লিসি মী চৈবা, লক্কবগী ৱা নত্তে, লৌ উবীনবা মী লৈশিল্লক্তরে হায়বগী ৱানি। লৌবুকসু লৈশিল্লক্তা, লৌমীসু লৈশিল্লক্ত্রবদা চাগদৌরিবা ময়ামদি উচেক মচাদৌনা ময়া কারগা খোংবা মশানা তারকপনি। মপীদুনা দেল্লীদা চৎলগা চেঙ নীরুবদি রেল গাড়ী য়ৌরক্লবনিনা মরাং কায়রনি। মমল পীরোইদ্রা, শেলদি কদায় কদায়দগী পীগদৌরি? লেম্না য়েল্লকপা চারিবা ঐখোয়সে উচেক মচা ওল্লবনি, চহী চূপ্পা চেক-চেক খোংগনি, নোংমতা পাইবা তম্বা উরোই। মদু খঙবদগী চীংয়াগী লৌবুক্তা চৎপা থিংলক্লিবনি।

লৌমী অমসুং লৌবুক হায়বীরিসে খুঞ্জাশিং লোইনমক্তি ওইদ্রে, মীওই কয়াগী লল্লোনফম্নি। ত্রেক্টরগী, থাওগী, হারগী, তীল হীদাক্কী, শেন্দোয়গী পীথোকখ্রগা লেমহৌবদু মশাগী লৌবুক লৈজদবশিংদি চাবা কোন্নবা ঙমদ্রে। মখোয়দি লৌমী হায়বা য়াদে, লেবর চীংই। লৌ মচেৎ অমত্তং লৈরগনা লৌমী হায়রবসু য়ারি। লৌউ-শিংউবগী লৈরিবা ওফিসর মশীংগা লৌমী মশীংগসি ওফিসতা লৈবা মী মশীংনা হেল্লগনি। লৈঙাক্কী থবক অমা তৌরগা লৌ মচেৎ অমা উবা য়াওরিবসি লৌমী কৌবা য়াদ্রিবনি। লমদমসিদা ফার্মর কৌবা য়াবদি মীওই মঙা-তরাগী ৱাতনি। ফেল ওইরগা তোকখিবশিংসু ফার্মর কৌবা য়াদ্রে। লৌদি লৈবা লৌবুক্তা কুমদবশিং লৌমী কৌবা য়াদ্রি। মমিং ফাওবা মুন্না খঙবা ঙমজদ্রিবা লৌমী-শিন্মী হায়বা তারে, মীওই খরা অসিনা খুন্নাই অসি থাকপা ঙম্বগী ৱাদি লৈত্রিবনি। ৱাখলদদি কদায়দগীনো হেক্তা চাগনি খল্লগা হিংবসু য়াওরমদৌবা মাল্লক্লি। তূম্বা হৌগৎপগা হুরানবা য়াবা মায়কৈ য়েংলগা থোক্লকপসু লৈরবা মাল্লক্লবা ময়ামসি লৌমী খরনা পুক থাক্কনি খল্লিবসি থবক থাদোকহৌবনবু লেম্বা হেনগদৌরিব্রা? থৌ লৈতনা ফৌবৈ মৈ থাবা কাঙবু অমসু লৈরিবনি, মী ওইনা তৌগদৌবা মান্দবা থবক ময়াম তৌনরিবা মরকসিদা লৌমী-শিন্মীনা হুরানবা ঙমগদৌবসিনা করি-করিদনো? লৈতবদি নত্তে, ফৌদু ফজনা হুমদোক্তবা, ফৌ ওনবদুনা শঙবায় মচা খল্লগা ওনবা তৌনরিবনি। ফৌ মমিংদি খঙদে, লৌশান পীরকপদা চেঙ হাওতবগী ৱাথোকসু লৈনরিবনি।

লৌ তাবা হায়বসি লাইগী হৈ-লৈ তম্লগা পাঙথোকসু য়াওরি। ফৌদুদি লাই হাক্তক্তা হায়রম্বদু অমত্তবু য়াওশিল্লক্তরে, অনৌবা ফৌথোক হেন্না থোকপা থানরে। লাই খুরুম্লগা ফৌ অনৌবা থারবা ফাওবদা চাবা কোন্নদ্রিবসি লাই নীংবদু লানব্রা, থবক থৌওংদু লানব্রা অমদি লাল্লি হায়বা ওইগদৌরিবনি। অনীমক লানবসু য়ারিবনি। হন্দক্কী লেন তারগা হৌদোকপা কুম অসিগী নোং তাবা হৌবগা ঈশিংসু চাওরে। ঙসি ফাওবা ঈশিংনা থুম্বা লৌবুক লৈরি, হায়বদি থবক শূবা য়াদ্রি। কমদৌনা ফৌ থোক্লক্কদৌরিবনো। কুম মমৈদা নংবোই-নংদবোই পুমহুন হুনবসু ঙমহৌদা, পাম্ফেল হুনবসু য়াদ্রবনিনা লৌহোন লৈরগা লিংবা তারক্লি, য়াম্না ৱানা। ফৌদুনা তকপা চেঙদুনা পুশিল্লক্লিবা চেঙ অহোঙবশিং অসিগা মমল হোঙবা তান্নবদগী চেঙ-তায়বা শিত্তবা য়াওরনি। মতম অমদদি তায়বা শিত্তবদগী য়ু শুংদোকই হায়ববু য়াওরিবনি। মপান্দগী চেঙ পুশিল্লকপা হায়বসি লমদমসিগী লৌমী হাৎপনি, পুশিল্লক্ত্রবসু চাবা কোন্নদ্রিবনি। লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং, সিফাইশিং চাবা কোন্ননবা চেঙ পুশিল্লকপদি মশানা তাবনি। তল চাবা হৈনদবা, চাক চারগা হিংলিবা মীয়ামগী লাইবকসি লৌমীগী খূত্তা লৈবা নত্তে। পঞ্জাবকী খূত্তা লৈ হায়বসু হায়নৈ, ত্রক দ্রাইভরগী খূত্তা লৈ হায়বসু য়াওই। ইশাগী খূত্তা লৈতে, মীগী খূত্তা লৈরি হায়বনি। চেঙগী মমলদি লেম্না য়েনবা কেজি অহুম চাবা লোইবগা লুপা অহুম পীবা কেজি অহুম অমুক ফংগনি। মদু চাবা লোইবগা হন্দক্তি কেজিদা লুপা চাম্মা য়ৌগদৌরিবনি।

থবক ইশূ-শূদনা তোলোপ চারিবা ময়ামদগী শেলদু সর্কুলেট তৌহনগে হায়রবদি চেঙগী মমল ৱাংহনবা তাবনি। শেল অদুসু ফৌথোক লৈনা পুথোকপা ঙমজদবা লমদমসিগী লৌমীনা ফংবা ঙমগদৌবা নত্তে। চেঙ পুশিল্লক্লিবা ত্রক দ্রাইভরশিংনা ফংবসু নত্তে। এজেন্ট ওইরিবা কনা-কনানো মখোয়না ফংবনা হেল্লি হায়বসু লৈরি। লমদমসিগী মীয়ামসি লমদমসিগী লৌমীনা থাকপনি হায়বা ৱাসি হায়নদবনা চুম্লগনি। লমদমসিগী লৌমীশিংগী অৱা অনা খুদোংচাদবগী ৱা ঙাঙনবসু খরা তোক্লবনা চুম্লগনি। ৱারে, খুদোং থীরে হায়বগা চেঙগী মমল খংচোঙ চোঙলিবসি লম্বী য়াদবগীনি, চেঙ লৈতবগী নত্তে। ঙাঙবদা ৱা থোকপা মানবা অসিনা উচেক মচাগী হৌনবনি। চারবসু-চাদ্রবসু উচেক খোংবা মানবা লৌমী-শিন্মী লূপ ময়াম অমসু লৈরিবনি। কম্মুনিষ্ট হায়বসি, লৌমী-শিন্মী হায়বসি লমসিদদি চানদে, লৌমী-শিন্মী ময়াম অমা কম্মুনিষ্ট য়াওদবসু লৈরিবনি, ওইদবসু লৈরিবনি। লৌমীনা কনানো কম্মুনিষ্টনা কনানো খঙববু ঙমশিল্লক্তরে। ফৌথোক লৈনা চনীং তানা লৌ উবা ঙমগদৌবা মান্দ্রি হায়জবনি। চহী অমা অনী অসিদি নোংমৈ মরক্তা লৌ কোইবা য়াওরিবনি, ফৌ-চেঙ চাদ্রবসু হিংলগনি হায়বা য়াওরিবা মাল্লি। লান মনুংদদি চেঙ কেজিদা লুপা ২৫০ য়ৌই হায়নবু তাখি। হন্দক অমুক লান মখা চখুরক্লবদি চেঙ কেজিদা লুপা ৩০০ য়ৌগদৌরি।

চেঙ চাক্কী থোইনা ৱানীংঙাই লৈতে, লৌবুক লৈতবা লমসু পঙহিং হিংই। চাকশু লেম্না পীজৌ, থবকশু শূরোই হায়বদি কদায়দগী য়ারদগে। কয়া চানদবা লমসিদা তর্ব্বুজ থাবদসু য়োনবা শিত্তে, লেন্নবু থোমদৎলম্মী, সিদবু কানি থানীংলোইদবা কনানো? চাদ্রগা লোইরে খনবা মীসু য়ামখৎলক্লবনি, শেলদুনদি লৈনীংবা লৈবা য়াখৎলকই।

লৌবুকসু লৈসনু লৌমীসু য়ামসনু য়াদা হুক্লবা, ইনমদা থোনবা ফি, পোৎ খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লক্তবা য়াওদ্রবনি। ৱাখলদদি ইরমদম ইরৈবাক, ঈশৈ ওইনবু শক্লি। অঙ্গুর হৈসি কংহল্লগা কিশমিস শেল্লবসু মীনদি কয়া চানদবনি। লমদমসিদি কিশমিস মানশিল্লক্লি। মমল য়াল্লবসু চপশিল্লক্লি। লৌমী খরা শিন্মী খরতনা কনবা ঙল্লোইদৌরি। মাঙহনবদি দেমোক্রেসি চৎলবনিনা লৌমীসু য়াওই হায়রগনি, মদু লাইনা তম্বা অমা নত্তে। লৌগী ফৌথোক মীগী মীথোক হায়বসি লাইনা তম্লকপা নত্তে, মীওইবগী ৱাখলগী পোত্থোক্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **“পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে…।।”**
মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।
২) **“নিমাইগী ঈশৈদো”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? কনানা ইবনো?
৩) **“ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৪) **“থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা”** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?
৫) **“অঙাওবীদো ঐগী ইমানি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


## DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card of HSLC Examination bearing Roll no. 39336 of 2020 issued by BOSEM and Registration Certificate bearing Regn. No. 9263 of 2021 issued by COHSEM on the way between Ayangpali and Mahabali on 03/05/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/122/11 Sd/- **Bony Sorokhaibam**

/পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক প্রিক-প্রিক খোংবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা শাগৎলগা ইথনতা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবগা পূক প্রিক-প্রিক খোংলগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা শাগৎলগা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, ওইগী খোঙ অমদি খূৎ চিকপা-নাবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, শিংলি নাউরি শোনবা, কোক চিকপা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, নময়াঙ মরিন অসিসু চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নারগা থবক কুইনা শূবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা হাল্লগসু মনাংগা লোয়ননা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ মপূং ফানা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূকচেপ নাকন অনীমক নাবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, হকচাং নোংমা-নোংমগী ময়েং তাশিল্লকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/11083/11 *থাগৎচরিবা :* **T. Surjit Singh,** Mantripukhri

## MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK
P.S.PATSOI, P.O. LANGJING
1. Ist class. 14.00
2. 2nd class. 13.00
3. Reject. I. 12.50
4. Reject. II. 11.50
5. Peti. I. 12.00
6. Peti. II. 10.00
7. Jammat. 10.00
8. 3rd class. 6.00
Offer till 21st June 2024
Contact no.6909236749
Block Machine

HL-B/8724/13 May to 11 June

## M/S BEE BRICK FIELD
*Wangjing Sabal Checkon Leikai*
*Near, Khongjom War Memorial*
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate | No. Of Bricks | Amount |
|---|---|---|---|
| 1st Class | 13.00 | 1,500 | 19,500 |
| | | 2,000 | 26,000 |
| 2nd Class | 12.20 | 1,500 | 18,300 |
| | | 2,000 | 24,400 |
| 1st Reject | 11.50 | 1,500 | 17,250 |
| | | 2,000 | 23,000 |
| Jhamat | 10.50 | 1,500 | 15,750 |
| | | 2,000 | 21,000 |
| 1st P.T | 11.00 | 1,500 | 16,500 |
| | | 2,000 | 22,000 |
| 2nd P.T | 10.00 | 1,500 | 15,000 |
| | | 2,000 | 20,000 |
| P.T Reject | 8.50 | 1,500 | 12,750 |
| | | 2,000 | 17,000 |
| 3rd Class | 6.00 | 1,500 | 9,000 |
| | | 2,000 | 12,000 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 4,500 |

Contact No. 9612725842

HL-P/10981/4-15/6

## JOB VACANCIES
REGD. No. 2015/14/006/21/06926/94CB0014

RECRUITING MALE/FEMALE CANDIDATES FOR ICICI, AXIS, YES BANK. (NORTH EAST AND EAST REGION)

| DESIGNATION | QUALIFICATION | SALARY PER MONTH |
|---|---|---|
| BRE(Credit Card) | XII | 14K – 16K |
| Business Development executive | Any Graduate | 18K - 20K + Incentive + Mediclaim |
| Relationship Manager | Any Graduate (with min. 50% in 10th, 12th & Graduation) | 22K - 25K + incentive + Mediclaim |
| Operational Staff | B.Com,BBA,M.Com,MBA (Finance) | 35K - 50K |

WE ARE HIRING MALE/FEMALE CANDIDATES FOR GOA/ HYDERABAD/MUMBAI AND DELHI AIRPORT.

| DESIGNATION | QUALIFICATION | SALARY PER MONTH |
|---|---|---|
| Loader | X | 14K + OT |
| Brand Promoter | XII | 18K in Hand + Incentive |
| CSA | XII | 20 K CTC |
| F&B Assistant | XII | 19K CTC + 1 Time Meal |
| Retail Executive | XII | 21K CTC + Incentive |
| Reservation Executive | XII | 24K CTC |
| Gaming Assistant | Graduate | 20K CTC + Incentive |
| F&B Associate for Lounge | Graduate | 23K CTC |
| Sales Associate | Graduate | 24k - 27K CTC + Huge Incentive |

LAST DT. OF FORM SUBMISSION:18TH JUNE 2024
DATE OF INTERVIEW :19TH JUNE 2024
# 7005947474
PLEASE CONTACT:
EFEC
WAHENG LEIKAIKANGABAM LEIRAK MACHIN TRANSFORMER MAKHONG KAIDONGFAM BUILDING
HL-P/11069/7,9,11,12,13,15,16,17


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।